কাশ্মিরদা এন আই এ টিমনা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ১১ (এজেন্সী): টেরর ফন্দিং কেস অমগা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিত্তা এন আই এ টিমনা কাশ্মিরগী মফম কয়াদা রেইদ চথুখ্রে অমসুং ইস্লামিক সেমিনরি অমগী চ্যেরমেন য়াওনা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে।

লৈবাক অসিদা চথরিবা মীওই কয়ানা চথুরিবা কা-হেনবা ৱাখল পোকহনবগী থবকশিংগী মতাংদা নুমিৎ ১০নিগী মমাঙদা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা এন আই এ টিমনা জন্মু এন্দ কাশ্মির পুলিস অমসুং সী আর পি এফকা লোয়ননা অনন্টনাগ অমসুং শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মফম কয়াদা রেইদ চথুখি।

ছোর্সশিংনা হায়, টিম অদুনা শ্রীনগর ওল্ড সিটি নৱাবাজার এরিয়াগী দালান মোহল্লোদা লৈবা 'সিরাজুল উলুম' কৌবা ইস্লামিক সেমিনরি অমদা রেইদ তৌখি অমসুং ওফিস রেকোর্দ খরা অমদি লেপটোপ অমগা লোয়ননা সেমিনরি অদুগী চ্যেরমেন অদনন অহম্মদ নকবি ফাখি। ইন্সটিট্যুসন অসি উত্তর প্রদেশতা লৈবা ইস্লামিক সেমিনরি অমদা এফিলিএট তৌই। শ্রীনগরগী রেইদ অদুগী মতুংদা অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ খরা- পুশরু, সুনসুমা অমসুং অচাবলদসু মান্নবা রেইদশিং চথুখি।

টিম অদুনা অনন্টনাগ টাওনগী জঙ্গলত মন্দিদগী কেমিষ্ট জীশন অমীন মালীক, দুকান ফম্বা তনভীর অহম্মদ ভাত, লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন ওৱাইস অহম্মদ ভাত, রেদিমেদ গার্মেন্ট দুকান হাংবা উমর ভাত অমসুং এম বি এ অমসু ওইরিবা দুকান ফম্বা উমর ভাত য়াওনা মীওই কয়া ফাখি।

থী-হুম্বগী ওপরেসনশিং অদু এন আই এ, ইন্টলিজেন্স ব্যুরো, রো (রিসার্চ এন্দ এনালাইসিস ৱিং) অমসুং জন্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা পূন্না পাঙথোকমিন্নখি। ওফিসল অমগী মতুং ইন্না কেস অদু ওনলাইনদা মীয়াম্বু হকচিনবা ৱাখল চেলহন্নবা হোৎনবগা মরী লৈনৈ অমসুং এজেন্সি অসিনা রেদিকেলাইজেসন প্রোসেস অদুদা মপানগী হেন্দলর খরা চেন্নবগী পাউ ফংখি। ফারবা মীওইশিংনা হায়দোরকপদগী রেইদশিং অদু চথুখিবনি।

পদ্মা এৱার্দশিংগীদমক নোমিনেসন তৌরক্লবা পি এম নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা ইনভাইট তৌখ্রে

নয়ু দেল্লী, জুলাই ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অসি টেলেন্ট লৈবা মী য়াম্না লৈবা লৈবাক্লি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২২গী পদ্মা এৱার্দশিং পীবা য়াবা মীওইশিং থাগৎলক্লবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীয়ামদা অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌরিবশিংদা ইনভাইট তৌখ্রে।

Padma Vibhushan
Padma Bhushan
Padma Shri

পদ্মা এৱার্দশিং অসি চহী খূদিংগী রিপব্লিক ডে নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লাউথোকপা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন ওনরশিংগী মনুংদা অমনি। এৱার্দশিং অসি কেটগরি অহুম হায়বদি পদ্মা ভিভুশন (থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই অমসুং তোমথীল ওইবা থবকশিংদা পীবা), পদ্মা ভুষন (অৱাংবা থাক্কী শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবা) অমসুং পদ্মা শ্রী (শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবা) হায়না খাইদোক্লগা পী।

এৱার্দ অসিনা পব্লিক সর্ভিসকী মচাক য়াওবা লম খূদিংমক্কী এক্টিভিটিশিংবু শকখঙই। পদ্মা এৱার্দশিং অসি চহী খূদিংগী প্রাইম মিনিষ্টরনা শেম্বা পদ্মা এৱার্দস কম্মিটিনা পীবা রিকমেন্দেসনশিংগী মতুং ইন্না পীবা মীপূম খূদিংমক্তা নোমিনেসন প্রোসেসতা য়াওবগী খুদোংচাবা পী। মশা মশানা নোমিনেসন তৌবা ফাওবা য়াহল্লি।

এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেসন তৌনবা ত্বিটরগী খূথাংদা মীয়ামদা ইনভাইট তৌরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, ইন্দিয়াদা গ্রাসরূটসতা তোমথীল ওইবা মওংদা থবক তৌবা টেলেন্ট লৈবা মীওই কয়া লৈ। মখোয়না তৌরিবশিং ঐখোয়না খঙদবসি তোয়না থোকই। অসিগুম্বা তমজনিংঙাই ওইরবা মীওইশিং খঙলবদি নোমিনেট তৌবীয়ু। নোমিনেসনশিং সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবা থাগৎপা য়াই।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা থাদা পদ্মা এৱার্দস ২০২২গী ওনলাইনদা নোমিনেসনশিং তৌবা হৌহনখিবনি। নোমিনেসনগী অরোইবা তারিখ সেপ্টেম্বর ১৫, ২০২১নি। এৱার্দশিং অসি ২০২২গী রিপব্লিক ডেগা মরী লৈননা লাউথোক্কনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সিভিলিয়ন এৱার্দ অনী ভারত রত্না অমসুং পদ্মা ভুষন কুমজা ১৯৫৪দা শেমখি। অকোনবা এৱার্দ অসি ক্লাস অহুম হায়বদি পহেলা ভার্গ, দুশরা ভার্গ অমসুং টিশরা ভার্গ হায়না খায়দোকই। মতুং তাবদা মখোয়শিং অসি পদ্মা ভিভুষন, পদ্মা ভুষন অমসুং পদ্মা শ্রী হায়না নৌনা মমিং থোন্দোকখি। প্রিসিদেন্সিএল নোটিফিকেসন অমা থোকখি।

স্পুটনিক ফাইভনা দেল্টা ষ্ট্রেনদগী চাদা ৯০ ঙাকথোকপা ঙম্মী: সাইন্টিষ্ট

নয়ু দেল্লী, জুলাই ১১ (এজেন্সী): রসিয়ানা পুথোকপা স্পুটনিক ফাইভ য়াওনা ভাইরেল ভেক্টর অমসুং এম আর এন এ ভেক্সিনশিংনা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা দেল্টা ষ্ট্রেনগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন মতিক চানা পীবা ঙম্মী হায়না নোভোসিবিরস্ক ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী লেবোরেটরিগী মকোক অমসুং রসিয়ান একাদেমিক ওফ সাইন্সেস (আর এ এস)কী মেম্বর সর্গি নেটেসোভনা স্পুটনিকতা ফোঙদোকখ্রে।

VACCINE
Sputnik V
Coronavirus COVID-19
Sputnik V

নেটেসোভনা হায়খি, য়ু কে, য়ু এস অমসুং অতৈ লৈবাকশিংগী দেটা মতুং ইন্না রসিয়ান কোভিদ ভেক্সিন স্পুটনিক ফাইভ য়াওনা এম আর এন এ অমসুং ভেক্টর ভেক্সিনশিং দেল্টা ভেরিএন্টকী মায়োক্তা প্রোটেক্সন নীংথিনা পীবা ঙম্মী। ভেক্সিনশিং অসিনা অহানবগী ষ্ট্রেনগী মায়োক্তা চাদা ৯৫ ফাওবগী চাংদা প্রোটেক্সন পীখি। হৌজিক্তি মখোয়না দেল্টা ভেরিএন্টকী মায়োক্তা চাদা ৯০গী চাংদা প্রোটেক্সন পীবা ঙম্মী। অসুম্না দিভলপ তৌরবা ভেক্সিনশিং অসি ইফেক্টিভ ওইবা মরম্না শীজিন্নগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিন দিভলপ তৌখিবা গামালেয়া রিছর্চ সেন্টরগী পোপ্যুলেসন ভেরিএবিলিটি মেকানিজম লেবোরেটরিগী মকোক ভ্লাদিমির গুশচিননা জুনগী অরোইবদা অসুম্না হায়খি মদুদি, রসিয়ান ভেক্সিন অসিনা দেল্টা ষ্ট্রেননা থোকহনবা কোভিদ-১৯গী শাথিবা কেসশিংগী মায়োক্তা চাদা ১০০ প্রোটেক্সন শোয়দনা পী।

রসিয়ানা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট থাদা স্পুটনিক ফাইভ হায়না মিংথোনবা ভেক্সিন অসি পুথোক্লুনা মালেমদা কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন পুথোকপা অহানবা লৈবাক ওইখি। গাম-কোভিদ-ভেক হায়নসু খঙনবা স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিন অসিদা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজশিংদা মথংশীৎনা আর এ দি ২৬ অমসুং আর এ দি ৫ হায়না খঙনবা তোঙান তোঙান্না পুথোকপা এদেনোভাইরস অনী শীজিন্নৈ। মসিনা কোরোনাভাইরস (সার্স-কোভি-২)গী স্পাইক প্রোটিনগী জিনেটিক কোদ অদু মীওইবগী সেলশিংদা চঙহল্লি।

এদেনোভাইরসশিংনা মহৌশানা মীওইবদা অকনবা লাইওংশিং য়াওদবা ইনফেক্সন থোকহল্লি। ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রাজেনেকা অমসুং জোন্সন এন্দ জোন্সনগী ভেক্সিনশিংদা লেবোরেটরিদা পুথোকপা এদেনো-ভাইরস অমখক শীজিন্নরিবসিগী মহুত্তা তোঙান তোঙানবা দেলিভরি মেকানিজম অনী শীজিন্নদুনা রসিয়ান দিভলপরশিংনা ভেক্সিন অসিগী ইফিকেসি হেনগৎহনবা ঙমখি।

পেট্রোলগী টেক্স চাদা ৬৩ সেন্টরদা কাই চাদা ৩৭ ষ্টেটতা কাই: ওইল কম্পনিশিং

কোলকটা, জুলাই ১১ (এজেন্সী): বেঙ্গলদা থাওগী মমল হেনগৎলকপদা টেক্সশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। সিটি অসিদা পেট্রোলগী মমল লুপা ১০০গী ময়া য়ৌরে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা দিজিট অহুম হেল্লে। দিজলগী মমলসু চয়োল অনীগী মমাঙদা লুপা ৯০ হেনখ্রে।

পেট্রোল অমসুং দিজলদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট অনীমক্না টেক্স লৌই। কোলকটাদা পেট্রোলগী মমল লুপা ৯৯.৮৪ য়ৌরে। মসিদা সেন্ট্রেল টেক্সনা লুপা ৩২.৯০ (ষ্টেট অসিদা লৌরিবা পেট্রোলগী টেক্স অপূম্বগী চাদা ৬৩ রোম) অমসুং ষ্টেট টেক্সনা লুপা ১৯.২৭নি। অসুম্না দিজলগী মমল সিটি অসিদা লুপা ৯২.২৭ য়ৌরে। ফ্যুএল অসিগী সেন্ট্রেল টেক্স অসি লুপা ৩১.৮০নি অমসুং ষ্টেট টেক্সনা লুপা ১৩.০৮নি। সিটি অসিদা পেট্রোলগী বেজ প্রাইস জুলাই ৬৩০ লুপা ৪৪.২০ দমক ওইখি অমসুং দিজলগীনা লুপা ৪৫.১৬ ওইখি। টেক্স অমসুং বেজ প্রাইসতা নত্তনা অতৈ প্রাইম কম্পোনেন্টশিংদা ফ্লাইট চার্জ অমসুং দিলগী কম্মিসন য়াওই। ওইল কম্পনিশিংগী ছোর্সশিংনা হায়, ২০১৯দা সিটি অসিদা পেট্রোলগী এভরেজ প্রাইস লুপা ৭২-৭৫ ওইখি অমসুং দিজলগীনা লুপা ৬৭-৬৯ ওইখি।

পেট্রোলগী সেন্ট্রেল টেক্স লুপা ২০-২১ ওইখি অমসুং দিজলগীনা লুপা ১৫-১৬ ওইখি। দিজলগীনা সেন্ট্রেল টেক্স লুপা ১৫-১৬ ওইখি অমসুং ষ্টেট টেক্সনা লুপা ১২-১৩ ওইখি। অসুম্না হৌখিবা চহী অনীগী মতম অসিদা পেট্রোলগী সেন্ট্রেল টেক্স লুপা ১১-১২ রোম হেনগৎখি অমসুং ষ্টেট টেক্সনা মতম অসিগী মনুংদা লুপা ৫ ফাওবা হেনগৎখি।

মমল লুপা ৭৪-৭৫ দগী লুপা ৯৯গী মথক য়ৌবদা লুপা ২৪ রোম হেনগৎপা অসিদা হেনগৎলিবা এক্সাইজ কম্পোনেন্টকী চাং অসি চাদা ৫০ নি অমসুং ষ্টেট টেক্সনা চাদা ২০নি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমদি দিজলগী টেক্সশিং ফেব্রুৱারী ২২দা লুপা ১ হন্থহনখি অমসুং মদু থা মরি চৎনহনখি। থা মরিগী মতুংদা নোটিফিকেসন অমগী খূথাংদা মখা তানা থা অহুম শাংথনা লুপা ১ হন্থহনখি।

থোঙ-থোঙনাওশিং থিংনবা খঙহনখ্রে

অহমদবাদ, জুলাই ১১ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগী খোঙচৎ মনুংদা থোঙ অমদি থোঙনাওশিং থিংজিন্নবা অহমদবাদ পুলিসনা মীয়ামদা খঙহনখ্রে।

অহমদবাদকী ভেজালপুর এরিয়াগী পুলিসনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কম্যুনিটি হোল অমা শঙ্গাবা লাকপা মতমদা মখোয়গী থোঙ অমসুং থোঙনাওশিং থিংজিন্নবা পুলিসনা খঙহনখিবনি। মরু ওইনা কম্যুনিটি হোল অদুগা মায়োক্নবদা লৈরিবা য়ূমশিংদা পুলিসনা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিং পল্লদুনা ভেজালপুর পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস ইন্সপেক্টর এল দি ওদেদ্রানা ভেজালপুর কম্যুনিটি হোলগী অকোয়বদা লৈরিবা সোসাইটি কয়াগী মীওইশিংদা মখোয়গী থোঙ অমসুং থোঙনাওশিং থিংজিন্নবা হায়জখিবনি।

ভাইরেল ইনফেক্সন থেংননবা আই আই টি গান্ধিনগরদা এন্টি-ভাইরেল কোটিং পুথোকখ্রে

নয়ু দেল্লী, জুলাই ১১ (এজেন্সী): মীওইবদা ভাইরেল ইনফেক্সন শনে দাকপা থিংবদা মতেং ওইনবা পোৎশক অমা আই আই টি গান্ধিনগরনা পুথোকখ্রে। প্রেমিয়র ইঞ্জিন্নীয়রিং ইন্সটিট্যুট অসিনা সর্ফেস খূদিংমক্তা ইরাই লাইনা এপ্লাই তৌবা য়াবা এন্টি-ভাইরেল কোটিং মেটরিএল অমা পুথোক্লে। কোটিং মেটরিএল অসিনা মতম শাংনা ভাইরেল ইনফেক্সন থিংবা ঙম্মী।

ভাইরেল ইনফেক্সনশিংনা মরু ওইনা কোল্ড, ফ্লু, মিজলস অমসুং চিক্কনপোক্স থোকহল্লি। করিগুম্বা মতমদা ভাইরেল ইনফেক্সনশিং অসিনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কমপ্লিকেসনশিং লাকহনবা য়াই। অসিগুম্বা ভাইরেল ইনফেক্সনশিংনা দিহাইদ্রেসন, ন্যুমোনিয়ানচিংবসু থোকহল্লি।

হৌজিক্তি আই আই টি গান্ধিনগরগী রিছার্সর টিম অমনা এন্টি-ভাইরেল সর্ফেস কোটিং মেটরিএল মায় পাক্লা পুথোক্লে। কোটিং মেটরিএল অসি নন-পেথোজেনিক ভাইরসশিংগী মায়োক্তা শীজিন্নবদা য়াম্না ইফেক্টিভ ওই। ইফেক্টিভ ওইবদা নত্তনা কোটিং মেটরিএল অসি নন-টোক্সিক ইকো-ফ্রেন্দলি অমদি ট্রান্সপরেন্টসু ওই।

আই আই টি গান্ধিনগরনা হায়, মসিগী নন-টোক্সিক সর্ফেস কোটিং অসি গ্লাস ৱিন্দোশিং, ৱুদন অমসুং প্লাষ্টিক ফর্নিচর, ভেহিকলশিং দোর হেন্দলশিংগুম্বা ইন্দোর অমসুং আওটদোরগী পোৎশক খূদিংমক্তা লাইনা এপ্লাই তৌবা য়াই। তোপ তোপ্পা মখলগী মেটরিএল অসি নেনোমিটর খরদমক থাই। অদুম ওইনমক কোটিং অসি কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তদি টেষ্ট তৌদ্রি।

তোয়না শোকপা সর্ফেসশিংদা টেষ্ট তৌরবা মতুংদা হঞ্জিন হঞ্জিন চামথোক্লবসু কোটিং অসিগী এন্টি-ভাইরেল এবিলিটিদা অহোংবা লাকপা থেংনখিদে। অসুম্না মসিনা ভাইরেল ইনফেক্সন থিংদুনা মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহনবদা শীংথানিংঙাই ওইনা মতেং পাংবা ঙম্মী হায়বসি খঙখি।

হৌজিক লৈরিবা এন্টি-ভাইরেল কোটিংশিংদা কোপ্পর অমসুং সিলভর আইওনশিংনা মরু ওইবা মচলশিং ওইনা শীজিন্নৈ। কোপ্পর অসি টোক্সিক অমসুং নন-ট্রান্সপরেন্ট ওইবা পোৎশক ওইবনা ইনভাইরন-মেন্টকী য়েংলগা অমসুং দিজাইনগী খন্নরকপদা শীজিন্নবদা খুদোংচাদে।

অল কাইদাগা শম্নবা টেররিষ্ট ২ ফারে

লক্ষ্ণৌ, জুলাই ১১ (এজেন্সী): মরু ওইবা ওপরেসন অমদা য়ু পি এন্টি-টেররিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস)না নোংমাইজিং নুমিত্তা লক্ষ্ণৌগী চিদাইদা লৈবা কাকোরিদগী অল কাইদাগা মরী লৈনবা টেররিষ্ট অনী ফাখ্রে। টেররিষ্ট অনী অদু কাকোরি এরিয়াদা লৈবা য়ূম অমদা লোত্তুনা লৈরম্বনি। এ টি এস টিমনা মখোয় মফম অদুদা লৈরে হায়বগী অরোনবা পাউ অমা ফংখি অমসুং হৌখিবা চয়োল অমা অসিদা মখোয়গী খোঙ্গুল লীরকখি।

আই জি এ টি এস গোস্বামিনা লুচিংবা টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিনখি অমসুং মীওই অনী অদু সহিদ কৌবা মীওই অমগী য়ূমদগী ফাখি। মখোয়গী মনুংদা ৱাসিম হায়রিবা মীওই অসি য়ূম অদুদা চহী ১৫ লৈরকখি। য়ূম অদুদা মোটোর গেরেজ অমা লৈরি। এ টি এস ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না য়ূম অদুদগী প্রেসর কুকর বোম ২, দিটোনেটর ১ অমসুং এক্সপ্লোসিভ কিলোগ্রাম ৬-৭ ফাওবা ফংখি।

বোম দিসপোজেল স্কৱাদ অমা মফম অদুদা থুংখি অমসুং অকোয়বা য়ূমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং শাফঙদবা মফমশিংদা থৈদোকহনখি। আই জিনা ফারবা মীওইশিং অদুগী মমিংশিং ফোঙদোকখিদে। ইন্টরোগেসন লোইরবা মতুংদা অকুপ্পশিং ফোঙদোক্কনি হায়খ্রে।

এ টি এস ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসন্দা টেরোরিষ্ট অনী অদুনা লক্ষ্ণৌদা লৈবা বি জে পি এম পি অমা অমসুং পার্টিগী সিনিয়র লীদর খরা টার্গেট তৌনবা থৌরাং তৌখি। সিক্যুরিটি ফোর্সকী কন্টিঞ্জন্ট অমগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখ্রে হায়রি।

হান্নগী মিনিষ্টর থোপ্পু দি এম কে য়াওখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ১১ (এজেন্সী): এ আই এ দি এম কেদগী তাম্থোকখ্রবা পার্টি অসিগী লীদর অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর থোপ্পু এন দি ভেনকিতাচলম নোংমাইজিং নুমিত্তা সপোর্টর কয়াগা লোয়ননা দি এম কেদা য়াওখ্রে। মখোয় দি এম কে হেদক্বার্টরসতা চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিনগী মমাঙদা পার্টি অসিদা য়াওখিবনি। হান্নগী মিনিষ্টর অসি কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১৬তা পেরুন্দুরাই কন্সটিট্যুএন্সিদগী টর্ম অনীরক এম এল এ ওইখ্রে। মহাক কুমজা ২০১১ দগী ২০১৬ ফাওবদা জয়াললিতা গভর্ণমেন্টতা ইনভাইরনমেন্ট এন্দ রিভেন্যু মিনিষ্টর ওইখ্রে। এ আই এ দি এম কেনা কুমজা ২০২১গী ইলেক্সন্দা ভেনকিতাচলমদা এসেম্বলি টিকেট পীদবদগী মহাক ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল থেংনখিবনি।

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা

মতম শাংনা Kangleipak Historical & Cultural Research Centre গী লুচিংপুলেল ওইবীরম্বা ৱাংখেমচা চীংতমলেন না ইঙাগী থাশি থাংজ নুমীৎ, মলিয়াফম পালচা ৩৪১৯, ইং চৈচৎ ১০-০৭-২০২১ অসিদ ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি মহাক্কী থৱায়-মিলেলনা মতম খরা তাইবং মপূ মহাক্কী মফমদা ঈংনা তপ্না লৈজরুনবা Centre অসিগী মরুপলোইশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা তাইবং পালবা মপূ মহাক্কী মফমদা খুরুমজখ্রে। লোয়ননা লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **থোঙাম থোমাস মীতৈ**
সেক্রেটরি, কংলৈপাক হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসর্চ সেন্টর,
ইম্ফাল, কংলৈপাক।

HL-P/6882/12

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু কোনবীরম্বা **ৱাহেংবম সঁরতচন্দ্রা সিংহ**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৭-০৭-২০২১ ইং, ইঙাগী ২৮নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শাচিদনন্দা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১২-০৭-২০২১ ইং ইঙেনগী ২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৯-০৭-২০২১ ইং ইঙেনগী ১০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

কোভিদনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং অমদি লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকচগনি।

থৌরম পরেং:-
অয়ুক পুং ৮:০০ - সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১০:৩০ - থৌরম লোইবা

বিনিত ঃ-
ৱাহেংবম ওংবী রাজকুমারী সনাহনবী দেবী (সহধর্ম্মীনি)
সগোলবন্দ তেরা পুখ্রি মপাল, সয়াং লম্বী।

HL-P/6878/11, 12

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

'কাং' অমদি 'কোরোনা'

ঙসি ইঙেনগী নিনি পানবা 'কাং' (রথযাত্রা) নুমীৎনি। কাং হায়বা কুম্মৈসি মণিপুরগী তম্পাক্তা খুন্দাবা মীতৈ (হিন্দু)শিংগী ওইনদি মরুওইবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরকই। হিন্দু ধর্ম্মগা মরী লৈনবা কুম্মৈ-হরাওশিং অসি মণিপুর য়ৌরক্লগা মশক-মওং অমা হেক্তা ওনখিবগুম, রথ-যাত্রা (দোলাই-খোঙচৎ) হায়বসিসু ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা পাঙথোক্করিবা মওংসিগা মান্নদে। মাঙলমচৎকী অহল-লমনশিং অদুনা মওং অমা হেক্তা ওম্থোক্লম্মী। কোরোনা-লাইচৎ মনুং ওইবনিনা মমাঙ চহীগী 'কাং-চিংব'ই থৌরমদুসু পাঙথোকখিদে। খঙদে, কুমশি-চহী (ঙসি)গীসিদি চিংগদৌরিবরা/চিংলোইদৌরিবরা? সরকারনা লাউথোকখিবা কোভিদ-১৯ এস ও পি'সিগী খল্লুরবদি কাং-চিংবা য়াগদবা মান্দে। কাং-চিংব'গা মরী লৈনবা অকক্নবা-ওর্দর অমা থোকখিবদি থেংনদে। খঙদে, হান্নবা লাওথোকখ্রবা, ঐনা খঙহৌদবা/তাহৌদবসু ওইরম্বা য়াই। ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা রথ-যাত্রা কুম্মৈসিগী খ্বাইদই মরুওইবা মফম ওইরিবা, পুরি (ওড়িষা)গী জগন্নাথ-মন্দিরদগী খোঙশানগদবা, চহী খূদিংগী ভক্ত লীশিং/লীচা কয়ানা খুজীং ওইদুনা শরুক য়াবা, হাকুমদগী পাঙথোরকখিদবা রথ-যাত্রাদু কুমশিদি, মখোয় তরানিপান (শরুক য়াগদবা কাংবু)দু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্লগা/ভেক্সিন কাপথোক্লগা চিংহনগনি হায়বা পাউ অমদি তায়। অদুক চাউখ্রবা কাং অহুমদু কনানা চিংগদৌরিবনো? মদুমদি খঙদে। নহানমখৈদি মশীং লাকঙমদ্রবা ভক্ত ময়াম্না চিংবনি। চিংগদৌরিবা মখোয়গী এরেঞ্জমেন্ত'না করিনো? মদুগী ইনফোর্মেসন'সু লৈতে। গুজরাতকী অহমদবাদ অমদি দ্বারকাদসু রথযাত্রাগী অয়াবা পীখ্রে হায়- তৌবতবু রথ চিংগদৌরিবা লম্বী (মফম) অদুদি কর্ফিয়ু থমগনি। হায়বদি রথযাত্রা পাঙথোক্লিবা মফমদুদা মী পুনবা-তিনবা/লাই খুরুম্বা য়ারোই হায়বনি।

হায়রিবা, রথযাত্রাগী এরেঞ্জমেন্ত অসি পুরি অমসুং দ্বারকাদদি য়াগনি, মণিপুরদদি চন্নফম লৈতে। মরমদি, কুম্মৈ মওং/মখল অনী অসি মান্নদে। লোর্দ-জগন্নাথ (তাইবংগী মপু)- হিন্দুশিংগী থাজনবী মতুংইন্না, বিষ্ণুগী শায়োন অমনি। হিন্দুগী লাই অতৈগুম (কৃষ্ণ-রাধা, শিব-পার্বতি) জগন্নাথ-ঈশ্বরদি মহাক্কী পুন্সি খোঙলোয়গা তূনা লাৎনদে। মনাওনুপা বলভদ্র অমসুং মচলনুপী সুভদ্রগা লোয়ননা ঈরাৎমিন্নৈ। জগন্নাথ, বলভদ্র অমদি সুভদ্র, চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং 'মন্দির থাদোক্তুনা কোরৌ নুমীৎ খরদং গুন্দিচা-ঈমাগী লাইশঙদা পোত্থাবা চৎপা' খোঙচৎ অদুবু নীংশিংদুনা রথযাত্রা পাঙথোকপনি। মহারানী গুন্দিচা, ওড়িষাগী মমিঙ চৎলবা 'নিংথৌ ইন্দ্রদ্যুম্না'গী লোয়নবীনি। জগন্নাথকী মন্দির ইন্দ্রদ্যুম্না নিংথৌনা শাবীখিবনি। চহী অমগী মনুংদা অমুক্তি শোয়দনা, ইঙেনগী নিনি পানবদা লাক্লগা কোরৌ নুমীৎ নিপাননি চূপ্না ইন্দ্রদ্যুম্না অমদি গুন্দিচাগী মনাক্তা লাক্তুনা লৈরগনি খঙলবদুদদি, মখোয়না নুংঙাইনা লৈজনবগীদমক 'গুন্দিচা'না মন্দির অমা শাদুনা থমখি। 'গুন্দিচা মন্দির' হায়না খঙনখি। নুমীৎ নিপান্নি, চামিন-থকমিন লৈমিন্নরুরগা মাপন্নিশুবা নুমীৎতা ময়ুমদা অমুক হল্লকপগী খোঙচৎ অদুনি 'পুর্ন-যাত্রা' (মপুম ফারবা খোঙচৎ)- ঐখোয়গীনা 'কাংলেন'। মরীনিচনবা নুমীৎতা, জগন্নাথকী লোয়নবী 'লক্ষ্মি'না মপুরোইবগী খোঙ্গুল লীরকপদা 'গুন্দিচা মন্দির'দা লাকখিবা নুমীৎ অদুবু 'হেবা পঞ্চমি' হায়না পাঙথোক্লে। লমদমসিদদি তৌনদে।

কুম্মৈগী ৱাহন্থোক অসিগা, মীতৈ-বামোন (জগন্নাথ লাৎপা) শিংনা পাঙথোক্লরল্লিবা কাং চিংবই মওংসিগদি ওন্থোক্লা থীনা তায়ওন্নৈ। কাং নুমীৎতা, জগন্নাথ মচিন-মনাও অমদি মচলনুপী ইবেম্মা অহুম্না মন্দিরদগী লেঙথোরক্লিবদু কদায়দা, করি খোঙচৎ অমা চৎনবগীদমক্লো? লমদমসিদদি 'গুন্দিচা মন্দির' লৈতে। দোলাই (রথ)গী মহুৎ, 'কাং' তোংদুনা, মহাক্কী লৈকায়দুগী অকোয়বদা লৈরিবা, য়ুমগী থোঙ (য়ুমথোঙ) খরদা কোয়রুরগা (অৱা নুংঙাই হংলুরগা) নুমীদাংৱাইম অমুক হল্লকপগী মওংনি। মাপন্নিচনবা নুমীৎতসু চপ মান্নবা থৌওং অদু অমুক হঞ্জিন্না পাঙথোকপনি।

মণিপুরগী 'কাং' অমদি 'কাংলেন'- ওড়িষাগী 'পুরি'দা পাঙথোকপা 'রথযাত্রা' অমদি 'পুর্নযাত্রা'গা পান্দম্নদুনা নৈনবা চুপ্লোই। মসি ইরন্নাই ৱাখলনি। লাল্লম্বা য়াই। অখণ্ড-অহৈশিংগী ৱা লৌশিনজগনি। মণিপুরগী কাং (রথযাত্রা) সেলেব্রেসন মওংসিগা, মথুরা/বৃন্দাবনলোমদা পাঙথোকপা রথযাত্রা মওংগা মান্নবা য়াম্না লৈ। মীতৈ ঈপা-ঈপুশিংনা থৌওং অদু মতৌ তমদুনা লমদমসিদা পুশিল্লকখিবা ওইরম্বা য়াই। শ্রীকৃষ্ণ'না 'কংস' হাৎতুনা ব্রজগী মীয়াম্বু মহাক্কী মীওৎ-মীনৈদগী কনবীবদা হরাওরবা মীয়াম্না, মবুংঙো কৃষ্ণ'বু রথ অমদা ফমহল্লগা, মথুরা সহরগী য়ুমথোঙ খূদিং চৎতুনা মাগী মতিক মগুন, শক-শোন্দুনা হরাও তয়াম ফোঙদোকপা, অথেনপোৎ কৎতুনা মবুংঙোগী দর্শন তৌখিবগী থৌওং অদুবুসু 'রথযাত্রা' হায়না খঙনখি। ১৫শুবা চহীচাদা 'নদিয়া'দা পোকখিবা শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভু'গী বৃন্দাবন খোঙচৎতা, শ্রীকৃষ্ণ মশামক্কী শায়োন ওইরবা মহাপ্রভু মহাক্কী দর্শন অমুক্তং ফংজগে খৌরাংলবা মীয়ামদুগী খোল্লাউ খাঙবা ঙমদ্রদুনা মহাক্কী তুংইনবা (ভক্ত)শিংনা চৈতন্যবু দোলাই (রথ) অমদা তোংহল্লগা মথুরা অমদি বৃন্দাবনগী য়ুমথোঙ খূদিংদা দর্শন তৌহন্নবা থৌরাংলম্মী। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য মহাপ্রভুনা রথ অদুদা শ্রীশ্রী জগন্নাথ, বলভদ্র অমদি সুভদ্র'গী মুর্তি অদু থাঙ্গৎলগা, মহাক মশামক্লা থৌগল্লোয় ওইনা মমাঙদুদা ফল্লম্মী। ভক্তশিংনা চিংদুনা রথ অদু মথুরা অমদি বৃন্দাবন শীনবা থুংনা চৎখি। অউবশিংনা অথেনপোৎ, অথুম-অহাও কৎতুনা তরাম্না ওকখি। মখোঙ থম্বাল শোকপা ফংহৌদ্রবা ময়ামদুনা, দোলাইদুদা নৎত্রগা থৌরীদুদা শোক্লগা মখোঙ থম্বাল শোক্লবনি খঞ্জখি। থাজ অমখক থোকপা নত্তবা, রথদুদা থাজ মরী থোক্লবগুম খঞ্জখি। 'চার-চান্দ' হায়বা হিন্দী ৱাহায়, মতমদুদই থোকখিবনি।

হাকুমদা নত্তে, কুমশিসু 'কাং' অমদি 'কাংলেন'- অনীমক মশক উবা ফংলরোই। কোরোনানা মশক ওলহল্লবা কলচরগী মশক অমনি।

ফোরেন্সিক ট্রেনিং মোদ্যুল পুথোকখ্রে

গান্ধিনগর, জুলাই ১১ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না রিক্কমেন্দ তৌরকপদগী গান্ধিনগরদা লৈবা নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্সেস য়ুনিভর্সিটিনা পুলিসকী স্পেসল ফোরেন্সিক ট্রেনিং মোদ্যুল অমা শেম-শাখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি অসিনা লৈবাক অসিগী পুলিস পর্সনলশিং খ্বাইদগী নৌবা ক্রাইম অমসুং ফোরেন্সিক মেথদশিং অমদি প্রোটোকোলশিংগী মতাংদা ওফলাইন অমসুং ওনলাইন মোদ্যুলশিংদা ট্রেনিং পীগনি। এম ঐচ এগী রিক্কমন্দেসনদা পুলিসকী স্পেসল ফোরেন্সিক ট্রেনিং মোদ্যুল অমা পুথোক্লবা হৌখিবা চহীদা এন এফ এস য়ুদা শিন্নখিবনি।

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ/ অৱাবা ফোঙদোকপা

Organised by :
ND COMMITT

মণিপুরগী য়েলহৌ-ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈ/মীতৈসু ST লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীগদবনি হায়না হৌরিবা ঈহৌদা মাংজিন থাদুনা হোৎনবিরম্বা Scheduled Tribe Demand Committee of Manipur (STDCM)গী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ পেট্রোন-১ ওইবিরম্বা প্রো: য়ুম্নাম মোহেন্দ্র, য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা জুলাই ৮, ২০২১গী অয়ূক পুং ১০ রোম তাবদা রিমস হোস্পিটালদা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা নুমীৎতুমক্কী নুংথিল পুং ৩:৩০ তাবদা কম্মিটিগী Exe. Committee অমসুং Adviser শিংগী অপূনবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ভিদিও কনফরেনসিংগী খূথাংদা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট শ্রী ধীরাজ য়ুম্নামনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা তাইবং মপূগী মফমদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনীজখি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

২০১২ অরোইবা শরুক্তগী ২০১৯গী হৌগৎলকপা ফাওবা প্রসিদেন্ট প্রো: মোহেন্দ্রগী লিচিং মখাদা মতমদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী মনমোহন সিংহগা জুলাই ১০, ২০১০দা উন্নদুনা হকথেংননা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবা, মণিপুরগী মমাংগী অমদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং উন্নদুনা মখা তাবা রিপ্রজেন্টেসনশিং পীশিনখিবা, মণিপুরগী কাচিন-কোয়া থুংনা চৎতুনা কেম্পেয়ন তৌবা, খন্ন-নৈনবা, ৱাকৎ মীফম, মীয়ামগী অচৌ খোঙচৎনচিংবা খোঙজং কয়াগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা পান্দম ফংনবা হোৎনরকখিবশিংবু নৌহৌননা নীংশিংখি। অদুবু লাইবক থীবদি মশাগী চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা হকচাংগী ফীভমসু ফৎচিল্লক্তবনা ওজানা ২০১৮ অদুৱাইদগী ঈহৌ অসিদা এক্টিভ ওইনা য়াওবা ঙমদনা লাকখি। মফম মফমশিংদা চৎপদা ওজানা মীয়ামদা লাউবীরম্বা "মীতৈ ইমাশা, মীতৈ ইপাশা মীকপ থোক্লো নখোয়গী নচা-নশুশিংগী তুংগীদমক্তা" হায়বা পাউজেল অমদি হাপ্পীরম্বা থৌনাগা লোয়ননা হনবা লৈতনা পন্থুং য়ৌদ্রিফাওবা, শিন্থা পাঙথোকচগনি। লোয়ননা ওজাবু লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী থম্মোয়দা মতম পূম্বগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

Sd/- **K. Bhogendrajit**, General Secretary,
For & on behalf of STDCM

HL-P/6884/12